**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23-07-2025)**

**হোম (এল)ঃ** মনিপুরগা য়ুমলোন্নেরিবা লৈবাকশিংদা চরাংনবা থোকপদগী রাজ্য অসিদা মীতোপশিং চংশিল্লকপা য়াবগী চিংনবা লৈবনা রাজ্যগী হোম বিভাগনা এদভাইজরি অমা থোকখ্রে।

রাজ্যগী কম্মিস্নার কম সেক্রেটরি (হোম)-এন. অশোক কুমারনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না জিলাশিংগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিং অমসুং এস.পিশিংনা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈদুনা রাজ্যগী ঙমখৈশিংদা আইনা কায়না মীতোপশিং চংশিলক্তনবা হোৎনগদবনি। অসিগুম্বা মীওইশিং চংশিল্লকপা থেংনরবদি খুদক্তা পাউ পীবগা লোয়ননা মখোয়গী বাইওগ্রাফিক অমসুং বাইওমেত্রিক্কী অকুপ্পা ৱারোলশিং লৌগদবনি। অসিগুম্বা আইন কায়না চংল্লকপা মীওইশিং থেংনরবদি মখোয়বু খঙদোক্লবা মফম অমদা মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা থমগদবনি। আইন কায়না চংল্লকপা মীওইশিং তঙাইফদবা থবক থৌরমশিং লৌখৎলবা মতুং মরমদমদা হলহনখিগদবনি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিংনা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কমিতি শেমদুনা চিংনবা মফমশিং চেক তৌবগী থবক চথবগা লোয়ননা তোয়না য়েংশিনবগী থবক চথগদবনি। দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিংনা বোর্ডর পাস সিষ্টেমগী মখাদা তোইনা মীতোপ চংল্লকপা অমসুং থোকখিবা মফমশিং য়েংশিনগদবনি। মতম হেন্দোকা লৈরবা মীওইশিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী খুথাংদা থিদোক্কদবনি। মহাকা মখা তানা হায়-দিষ্ট্রিক্ট লেবেল টাক্স ফোর্স শেমদুনা আইন কায়না চংল্লকপা মীতোপশিং য়েংশিনবগী থবক চথগদবনি। টাক্স ফোর্স অসিদা জিলা অদুগী এদিসনেল এস.পিনা লুচিংগদবনি। মদুদা, দিপ্যুতি কম্মিস্নার ওফিসকী ওফিসার অমা এস.দি.সি. রেঙ্কতগী তাদবা মীওই অমা,

অসাম রাইফলস, বি.এস.এফ. অমসুং সি.আর.পি.এফকী মীহুৎশিং অমসুং বাইওমেট্রিক ষ্টাফ য়াওগদবনি হায়রি।

**রতন (এল)ঃ** মালেমদা থিয়েতরগী লমদা শকাইরবা রতন থিয়াম ঙসি অয়ুক অঙনবদা মতম কুইনা নারম্লবা মতুং লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৭৮ শুখ্রে।

মহাকা লৈখিদবদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সত্যবরতা, রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবা, লোক সভা এম.পি. প্রোফেসার-বিমোল অকোইজম, হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন, এম.এল.এ. য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ, জে.দি.য়ু. মনিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট-কে.এস.ঐচ. বিরেন সিংহ, য়াওনা লুচিংবশিং অমসুং লন্নাই লুপ কয়ানা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

রতন থিয়ামনা লৈখিদবদা আর্ট এন্দ কলচর বিভাগনা ঙসি বিভাগ অসিদা অৱাবা ফোংদোকখ্রে। মনিপুর ষ্টেট কালা একাডমী, মনিপুরি সাহিত্য পরিষদ, জৱাহরলাল নেহরু মনিপুর দান্স একাডমী, ওল মনিপুর ইথনিকেল সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজেসন (অমেস্কো), ষ্টেট কলচরেল ৱাকরস এন্দ এক্তিভিটিজ ফোরম, ইমা শুমাং লীলা কাংলুপ-মনিপুরনচিংবনা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

অকাশবানি ইম্ফালনা শকাইরবা ঠিয়েটর দাইরেক্তর অমদি প্লে রাইট-রতন থিয়ামগী মফমদা কৎচবা অখন্নবা থৌরম অমা ঙসি নুমিদাং পুং ৭ মিনিট ৫০ তাবা মতমদা কংলা অমদি সঙাই চেন্নেল অনিমক্তা শন্দোক্কনি।

**সেক্রেটরি(এল)ঃ** মনিপুরগী নৌনা থবক পুবা হৌখ্রবা চীফ সেক্রেটরি-পুনিত কুমার গোয়লনা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী চিংঙু থাংজিং গেষ্ট হাউস-মোইরাং অমসুং ওল দি.সি. ওফিস বিষ্ণুপুরগী রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগী ফিভম হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

মখোয়না মফম অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী ৱাকৎশিং তাখি অমসুং

ইনমেটশিংগী মতেং পাংদুনা মখোয়গী অপান্বশিং ফংহন্নবা হোৎনগনি হায়না থাজবা পীরমখি হায়রি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা কম্মিস্নার (হোম) এন. অশোক কুমার লোয়নখি।

**এময়ু(এল)ঃ** মনিপুর ইন্টরনেসনেল য়ুনিভরসিতিনা শিনদুনা পোপুলেসন এদুকেসন হায়বসিগী মতাংদা অন্টরজাতিগী ওইবা মীফম অমা ঙসি ক্লাসিক হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা অখণ্ড অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**থৌবাল(এল)ঃ** লৌমীশিংদা বেঙ্ক অমসুং সরকারনা করি করি খুদোংচাবা পীরিবগে হায়বদু খঙহন্নবগী খন্ন-নৈনবা থৌরম অমা ঙসি থৌবাল জিলাদা পাঙথোকখ্রে।

রিজনেল বেঙ্ক ওফিস, এস.বি.আই. ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিনদুনা থৌবাল দি.সিগী কমপ্লেক্সতা লৈবা ইলেক্সন কাউন্টিং হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা এস.বি.আইনা থৌবাল সেন্টরগী ওইনা লৌমী ৬৯ দা এগ্রীকলচর লোন লুপা কোতি অনি লাখ ৫৮ গী সেঙ্কসন লেটর য়েন্থোকখি। মসিগী মথক্তা ঙসি নৌনা লৌমী ১০০ সু লোনগীদমক এপ্লাই তৌহনখি।

**হৈঙাং (এল)ঃ** এম.কে. গ্রুপ ওফ প্রাইবেট লিমিটেদ কম্পানি, ইম্ফাল ইষ্ট লিংখৎখিবগী মঙাশুবা কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা অকাশবানি ইম্ফালগী রিজনেল ন্যুজ য়ুনিটকী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর-থোকচোম জোগেন্দ্রজিৎ, রিছার্স স্কোলার-মনজিৎ সরাংথেম অমসুং কম্পানি অসিগী মেনেজিং দাইরেক্তর-কোরৌহনবা ৱাইখোমনচিংবা শরুক য়াখি।

**তলব (এল)ঃ** মনিপুর সরকারগী মখাদা লৈবা হয়ার সেকেন্দরি ওজাশিংনা তোঙান তোঙানবা দাবীশিং তকশিনদুনা থবক লেপ্পগী খোঙজং ঙসিগা থানা নুমিৎ হুমনি শুরে। ওজাশিংনা থবক লেপ্পগী খোঙজং চংশিনখিবদগী মহৈরোইশিংনসু ক্লাস মপুং ফানা চত্থহনবীয়ু হায়না খোঙজং চংশিনবা হৌরে।

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌখিবা পুং ২৪ দা মীওই অহুম নৌনা কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইবা থেংনখি।

আই.দি.এস.পিগী পাউ মতুং ইন্না ঙসি পুন্না সেম্পল ৪২ টেষ্ট তৌবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা মীওই অনি অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদগী মীওই অমা পোজিটিব ওইবা থেংনখি। ঙসিগী ওইনা পোজিটিব ওইবগী চাং চাদা ৭.১ অনি। হৌজিক ফাওবদা পুন্না সেম্পল লিশিং ১,৪১৫ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৩৪২ পোজিটিব ওইবা থেংনরে। রাজ্য অসিদা হৌজিক এক্তিব কেস খরা হেনগৎলক্তুনা ১৬ শুরে। হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩২৬ নাবা ফদুনা দিচার্জ তৌখি।

**হেলথ (এল)ঃ** ইন্টেসিফাইদ দাইরিয়া কন্ত্রোলগী থাখায় অমা চুপা চত্থগদবা জিলা থাক্কী স্তোপ দাইরিয়া কম্পেইন ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী সঙাইপাৎতা লৈবা অপ্পর প্রাইমারি হেলথ সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি ইম্ফাল ইষ্টনা শিনবনি। দাইরিয়া-কি-রোকথাম, সফাই ওর ও.আর.এস. সে রখেন অপানা ধিয়ান হায়বা হীরমদা থৌরম অসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা চাইল্ড হেলথকী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার-ডা: কে.এস.ঐচ. সন্থলেম্বীনা হায়-নমিৎ মঙানি হেন্না খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরক্লবা, চাবা থকপা য়ারক্ত্রবদি মনাক নকপা হোস্পিতালদা পুবিয়ু। মখা তানা দাইরিয়াদগী করমা ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদসু ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

**ওআরএস(এল)ঃ** চয়োল অমা চথগদবা ও.আর.এসকী পালন থৌরম ঙসিদগী হৌখ্রে।

পেদিয়াত্রিক এসোসিয়েসন ওফ মনিপুরনা শিনদুনা থৌরম অসি ইম্ফাল ইষ্টকী খাবৈশোইদা লৈবা বাবিনা হোস্পিতালদা হৌখ্রে।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাদা এগ্রীকলচরেল ক্রেদিট সোসাইতিশিং মতমগা চুন্ননা চাউখৎহন্নবা পান্দমদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা জিরিবাম অমসুং বোড়োবেক্রা সব-দিভিজনগী সোসাইতিশিংদা হার্টৱয়ার ইক্যুপমেন্টশিং খুৎশিন্নখ্রে।

দিপ্যুতি কম্মিস্নার ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু কেন্দ্রগী কোরপোরেসন মন্ত্রালয়গী কম্প্যুটরাইজেসন ওপ প্রাইমারি এগ্রীকলচরেল ক্রেদিট সোসাইটিজগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপনি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্টেসন-জিরিবাম অমসুং দিষ্ট্রিক্ট কোওপরেটিব ওফিসার-জিরিবামনা শিনবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা হায়-প্রাইমারি এগ্রীকলচরেল ক্রেদিট সোসাইতিশিংনা মখোয়দা পীরিবা খুৎলায়শিং অসি মতিক চানা শিজিন্নদুনা মেম্বরশিংদা কান্নবা ফংহন্নবা হোৎনগদবনি।

**এজি (এল)ঃ** প্রিন্সিপাল একাউন্টেট জেনরেল মনিপুরনা শেনবা চহি ২০২৪-২৫ গী চহিগী জি.পি.এফ. ষ্টেটমেন্ট ওন লাইনগী খুত্থাংদা অপলোদ তৌরে হায়রি।

সবক্রাইভরশিংনা মখোয় মখোয়গী ষ্টেটমেন্টশিং কোমপ্টোলর এন্দ ওদিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়াগী ওন লাইন জি.পি.এফ. ইনর্ফৌমেসন সিষ্টেমদা চংলগা য়েংবা য়াগনি।

**কলেজ (এল)ঃ** ওরিয়েন্টে কলেজ (ওটোনোমস) ইম্ফালনা ইকফাই ভিজিনেস স্কুল-কোলকাতাগা খুৎশমরগা নুমিৎ নিনি চথরকপা ষ্টুদেন্টস দিবলপমেন্ট প্রোগ্রাম ঙসি লোয়শিনখ্রে।

থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, ফেক্লতি মেম্বর অমসুং মহৈরোইশিংবু তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিং অমসুং স্কিমশিংগী মতাংদা খঙহন্নবনি।

**সংসদঃ** সংসদকী সভা অনিগী মীফম ঙসি হুমনি চনবা নুমিৎতসু বিরোধি দলশিংনা চরাংনবা থোকপদবগী ঙসিগী ওইনা য়েথোকখ্রে।

বিরোধি দলশিংনা বিহারগী ইলেক্তোরেল রোলগী অখন্নবা রিভিজন অমসুং অতৈ হীরমশিংগী মতাংদা খন্ননবা দাবী তৌখি। লোক সভা অমসুং রাজ্য সভা অনিরক হন্না য়েথোক্লবা মতুং ঙসি নোংমগী ওইনা য়েথোকখিবনি। লোক সভাদা অনিরকশুবা ওইনা য়েথোক্লুরবা মতুং নুংথিল পুং অনিদা অমুক হন্না ফম্বদা বিরোধি-কংগ্রেস, দি.এম.কে, সমাজৱাদি পার্টি অতৈ দলশিংনা সভাগী ৱেল তমা চংশিল্লক্তুনা খোল্লাউ কয়া লাউবগা লোয়ননা মখোয়গী দাবী পীগদবনি হায়খি।

প্রিসাইদিং ওফিসারনা সদস্যশিং তুমিন্না লৈদুনা ঙসিগী মরুওইবা বিলশিং খন্ননবা হায়খি। অদুমওইনমক, চরাংনবা মরক্তুদা সভাগী মীফম নোংমগী ওইনা য়েথোকখি।

রাজ্য সভাদসু ফিভম অদু চপ মান্নখি। চরাংনবা মরক্তা পোর্ট, সিপ্পিং অমসুং ৱাটরৱেজ মন্ত্রি-সরবানন্দা সোনোৱালনা কেরিয়ারজ ওফ গুদস বাই সি বিল ২০২৫ খন্নদুনা পাস তৌনবা হোৎনখি। অদুমওইনমক, বিরোধিনা চরাংনবা থোকপদগী খন্ন-নৈনবা অদু পাঙথোকখিদে।

**ভিসিঃ** ইলেক্সন কম্মিসননা উপ রাস্ত্রপতি খন্ননবা মীখল পাঙথোকবা থবক

থৌরম হৌখ্রে। উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকরনা ফম থাদোকখিবদগী ইলেক্সন কন্মিসননা থৌরাং অসি পায়খৎলকপনি।

কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়দা শ্রী জগদিপ ধনকরগী ফম থাদোকপগী ৱাফম অদু খঙহনখ্রবা মতুং মীখলগী থবক থৌরশিং অসি পায়খৎলকপনি। জগদিপ ধনকরনা মহাক্কী হকচাংগী ফিভম য়েংলগা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফম অদু থাদোকখিবনি।

**দুরান্দ কপ ঃ** এসিয়াগী খ্বাইদগী লীরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট, ১৩৪ শুবা দুরান্দ কপ ঙসিদগী কোলকাতাগী বিবেকানন্দ যুবা ভারতি ক্রিরঙ্গনদা হৌখ্রে। অহানবা মেটচতা ইমামি ইষ্ট বেঙ্গলনা সাউথ য়ুনাইতেদ এফ.সি বেঙ্গলুরুবু পাঞ্জল ৩-০ মায়থিবা পীখ্রে।

ইষ্ট বেঙ্গোলগী পাঞ্জলশিং অদু ১২ শুবা মিনিটতা চুনুংঙা, ৩৭ শুবা মিনিটতা সাউল ত্রেসকো অমসুং ৭৯ শুবা মিনিটতা মনিপুরগী বিপিন সিংহনা চনখিবনি।

ইদিসন অসি তোঙান তোঙানবা রাজ্য মঙাগী মফমশিং-কোলকাতা, শিল্লোং, ইম্ফাল, জামসেদপুর অমসুং ক্রোকাঝারদা পাঙথোক্কনি। টিম ২৪ শরুক য়ারিবা তুরনামেন্ট অসিদা গ্রুপ ৬ খায়দোল্লি। মনিপুরগী ওইনা নেরোকা এফ.সি. অমদি ত্রাউ শরুক য়াগনি।

**ফুটবোল** ঃ ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অনিরকশুবা প্রিমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা অসুফি ফুটবোল একাডমী-মাওনা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ৫-০ দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ ৱিনর ওইখিবগা লোয়ননা ফাইনেল চংখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা, অবা-ক্ষেত্রিগাউ অংথা এফ.সি. পাঞ্জল অমত্তা

চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে। লিগ অসিগী হয়েংগী মেটচতা-কে.আই.ৱাই. ক্ষেত্রি অৱাং লৈকাই অমদি ৱাই.এস.ডব্লিয়ু.এ-উৎলৌ শান্নগনি। অনিশুবা মেটচতা এস.এস.য়ু. শিংজমৈ অমদি এফ.সি. রেংদাই-নোনেগা লম্বা তৌনগনি।

**বেদমিনটন** ঃ মনিপুর ষ্টেট বেদমিন্টন এসোসিয়েসননা শিনবা ৪২ রক শুবা, সনরাইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট অমদি ৬৯ শুবা জনিয়ার ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নসীসিপ ২০২৫ ঙসিদগী দি.এম. য়ুনিভরসিতি কমপ্লেক্সতা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌখ্রে।

অন্দর ১৩ গালর্স সিঙ্গলগী প্রি-ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিয়েসনগী থিংবাইজম বেবিনানা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিয়েসনগী চিনতু হাউবমবু সেদ ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।